## মাস রিফোর্মেসন কেম্পেয্যনগী শরুক অমা ওইনা ময়াংলাংজিং হায় স্কুল য়েংশিনখ্রে : দেসাম

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১ (ঐচএনএস): মাস রিফোর্মেসন কেম্পেয্যনগী শরুক অমা ওইনা ঙরাং দেসাম হেদ ওফিসকী এদ্যুকেসন এন্দ একাদেমীক এফেয়র্স লোংজম রোবিন, ওদিটর জেনরেল দেবদত্ত, সেক্রেটরি স্পেসল টাস্ক ফোর্স এন্দ এন্টি দ্রগ এব্যুজ টি ঐচ সোমোল অমদি দেসাম ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীলগী সেক্রেটরি জেনরেল ঐচ জোন্সন য়াওবা কাঙবু অমনা ময়াংলাংজিং হায় স্কুল য়েংশিনখ্রে হায়না দেসামগী পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা সেক্রেটরি রিশিকুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, য়েংশিনখিবা অদুদা স্কুল অদুগী অৱাৎ-অপা কয়া উরকখি। স্কুল অদুদা ওজা ৭ খক লৈরমখি। ওজা ৭ কী মনুংদা থা অসিগী ৪ দা স্কুল অসিগী হেদ মাষ্টর ওইরিবা ওজা কে তোলেনখোম্বা য়ুটিলাইজেসনদা ট্রান্সফর তৌখি। মদুগী মহুৎসু থারকখিদে। হেদ মাষ্টরগী পোষ্ট হাংদুনা লৈরমখি। ক্লাস সিক্সতগী টেন ফাওবা লৈরিবা স্কুল অসি শুপ্পগী ওজা ৬ খক্তনা চলাইরি। মতম অমদা মহৈরোয় য়াম্না লৈরম্বা স্কুল অসি কুমজা ২০১৭তা ওজা বিজেন্তি রিটয়ার্দ তৌখিবা, কুমজা ২০১৮দা ওজা অরুন, ওজা বিনোদকুমারী, ওজা দিপচুলুং, কুমজা ২০১৯দা ওজা জুগেশ্বর, কুমজা ২০২০ দা ওজা শান্তিবালা ট্রান্সফর তৌখ্রগা মহুৎ থারকখিদ্রে। ওজা লৈতবনা মরম ওইরগা স্কুল অসিদা মমা-মপা ওইবশিংনসু মিং চন্দবনা মহৈরোয়শিং মশিং হন্থখ্রে। স্কুল অসিদা মেথমেটিক্স, হোম সাইন্স, ইংলিস, জিওগ্রাফি, হিষ্ট্রি, বাইওলোজি সবজেক্টকী ওজা অমা ফাওবা লৈতে। মমাঙথক্তা ঐচ এস এল সী এগজাম থাখিবা মহৈরোয়শিং ওজা লৈতবনা লাইরিক তাক্তনা থাখিবা মহৈরোয় কয়া য়াওখ্রে হায়না ওজাশিংনা ফোঙদোরকখি।

মমাঙ থাগী ১৩দগী ক্লাস তৌবা হৌরবসু ওজা ৱাৎপনা য়াম্না নীংবা কায়না লৈরি। স্কুলগী মায়কৈদগী মরী লৈনবশিংদা ওজা ৱাৎলিবশিং থারক্লবা কয়ারক হন্না হায়খ্রবসু ওজা ট্রান্সফর তৌরি। মহুৎ থারকপগী ৱাফম লৈত্রি। হৌজিক স্কুল অসিদা শুপ্পগী মহৈরোয় ৫৭ মহৈ তল্লি। হান্না ফদুনা লৈরম্বা স্কুল কয়া লৈঙাক্না হেন্না ফগৎনবা হোৎনবগী মহুৎতা ওজা থাদোক-থাজিন তৌদুনা অমদি ওজা ট্রান্সফর তৌরবসু মহুৎ থাবীদবা অসিগুম্বা লৈঙাক্কী থৌওং কয়াশিং অসিনা স্কুল অসি শিথরক্লিবনি। লৈঙাক অসিগী স্কুল ফগৎহনসি মিসন মীদিয়া প্রোপেগন্দা তৌবা য়ানবা শান্নবা কুম্মৈগা পাঙ্খক ওইরব্রা হায়বগী চিংনবা পোকহল্লে। মালেমগী হোংলক্লিবা চাউখৎ লমজেল, ৱার ওফ আইদিয়াগী মতম অসিদা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা এদ্যুকেসন্দা থল্লিবা মীৎয়েং অসিদি খাঙেনফম য়ৌবগা পাঙ্খক ওইরে। হায়রিবা স্কুল অসি নুমীৎ মঙানিগী মনুংদা অৱাৎপা ওজাশিং থাবীরক্নুনা মহৈ-মশিন নীংথিনা তম্বা ফংহনবীনবা অমদি মহৈরোয়শিংগী অফবা ইনভাইরনমেন্ট অমা লৈহন্নবা লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংগী পূক্নিং চিংশিল্লি। ঈহৌ হৌদ্রিবমখৈ তৌরোই হায়বা ৱাখল্লোনদু হোংদোকপা থিল্লে। দেসামনা শাফোঙলকপদগী মতমগা চুনবা ক্বালিটি লৈবা মহৈ-মশিন তম্বগী কাঙলোন অমা লৈহন্নবা হোৎনদুনা লাক্লি। মসিদা লৈঙাক অমদি মীয়াম পুন্নমক্না মতেং পাংবীয়ু। তুংগী মীরোল কনবদা পুন্নমক্না হোৎনমিন্নসি হায়নসু দেসাম হেদ ওফিসকী পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা সেক্রেটরিদা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## ক্লাস টেন, টুয়েল্ব এগজামদা শরুক য়াগদবা মহৈরোয়শিংদা য়াইফ-পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১ (ঐচএনএস): ক্লাস টেন অমদি টুয়েল্বকী এগজাম শরুক য়াগদবা মহৈরোয়শিং মায় পাকপা ওইরসনু হায়না ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) গী সেক্রেটরি জেনরেল বিপিনচন্দ্র অহন্থেমনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্ব এগজাম থাগদবা মহৈরোয়শিংদা য়াইফ-পাউজেল পীরি। থা অসিগী ১৪ অমদি ১৭তগী হৌদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা কাউন্সীল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুর অমসুং বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরনা শীনবা মণিপুর খুন্নাইগী তুংগী হৌগৎলক্লিবা য়ুম্বীরেলশিংগী লাইবক লেপকদবা অচৌবা এগজাম অমা ওইরিবা ক্লাস টেন অমদি টুয়েল্ব এগজাম শরুক য়াগদৌরিবা মহৈরোয়শিংদা য়াইফ-পাউজেল পীরি। মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মহৈশঙ কয়াদা মহৈ তল্লিবা মহৈরোয় খূদিংমকপু এমসুগী মায়কৈদগী মায় পাকপা ওইরসনু হায়না পাউজেল পীরি।

মণিপুর খুন্নাইগী তুংলমচৎকী মরাইবক লেপ্লক্কদবা মহৈরোয়শিংগী অচৌবা চাংয়েং অসিবু মহৈরোয় খূদিংমক্না পূক্নিং লৈতানা থাবীনবা নীংশিংলি। অসিগুম্বা অচৌবা চাংয়েং অসিদা শরুক য়ারিবা মহৈরোয়শিংনা এগজাম অসিদা চাউনা মায় পাক্কনা ইরমদম অসিগী তাঙলবা মরু চঙবা য়ুম্বীরেল অমমম ওইরক্লসনু। ইমা লৈবাক্কী তুংগী য়াইফনবা থবক থৌগাই কয়া য়ারকপা ঙম্বা মীশক অমমম ওইরকউ। অচৌবা চাংয়েং অসিবু শীল্লিবা কাউন্সীল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুর অমদি বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরনসু চেকশিন্না অশোয়-অঙাম য়াওদনা মায় পাকপা ওইহন্নবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনবীয়ু। এগজাম অসি য়াম্না মায় পাক্না পাঙথোকপা ঙম্বা ওইসনু।

হায় স্কুল লিভিং সার্টিফিকেট এগজাম অমদি হায়র সেকেন্দরি এগজামগী রিজল্ট থোকপা মতমদা মমাঙথক্তা অশোয়-অঙাম খরা য়াওখিবা অদু হন্দক্কী অসিদদি অশোয়-অঙাম য়াওদবা ওইরসনু। মমাঙদা অশোয়-অঙাম য়াওখিবা অদু হন্দক্তি মহৈরোয়শিংদা নিংহন্নবা য়াবা মওংদা মার্ক টেব্যুলেসন অমদি অতৈ অশোয়-অঙাম অমত্তা লৈতনবা হোৎনবা ওইবীয়ু। কাউন্সীল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুর অমদি বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরনা লৌবা এগজাম থা অসিগী ১৪ অমসুং ১৭তগী হৌনা সেন্টর কয়াদা পাঙথোক্কদৌরি। এগজামদা শরুক য়াগদৌরিবশিংনা নীংথিনা এগজাম অসি থাবীয়ু। মায় পাকপা মহৈরোয়সু ওইবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## শুমাং লীলা ফেষ্টিভেল ঙসিদগী হৌরগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১ (ঐচএনএস): মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীনা শীনবা ৪৮লকশুবা ওল মণিপুর শুমাং লীলা ফেষ্টিভেল থা অসিগী ১২দগী মার্চ ৪ ফাওবা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেনদা পাঙথোক্লগনি হায়না ষ্টেট কলা একাদেমীগী সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ফেষ্টিভেল অসিদা নুপী শুমাং লীলা গ্রুপ ১৪ অমদি নুপা শুমাং লীলা গ্রুপ ৯ য়াওনা পুন্না গ্রুপ ২৩না শরুক য়াগনি। ফেষ্টিভেল অসি হৌদোকপগী থৌরম থা অসিগী ১২ গী নুংথিল পুং ৩ তাবদা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেনদা পাঙথোক্কনি। হৌদোকপগী থৌরমদা মনিদকোগী চেয়রমেন ডা. ৱাই রাধেশ্যামনা চীফ গেষ্ট, এম এল এ, টি ঐচ সৈত্যবর্ত্তনা গেষ্ট ওফ ওনর অমদি কম্মিস্নার আর্ট এন্দ কলচর এম জয়না প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াগনি। হৌদোকপা নুমীৎতা সঙাই আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী স্পেসল শুমাং লীলা শো উৎকনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## দ্রামা ফেষ্টিভেল লোইশিনবগী থৌরম

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১ (ঐচএনএস): ২০শুবা রূপমহল আর্টিষ্ট মেমোরিয়ল দ্রামা ফেষ্টিভেল ২০১৯গী লোইশিনবা অমসুং এৱার্দশিং লান্থোকপগী থৌরম থা অসিগী ১৫গী নুংথিল পুং ২ তাবদা ঠিএটর অসিদা পাঙথোক্লগনি হায়না রূপমহল ঠিএটরগী সেক্রেটরি বি অচৌবনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, নুমীৎ অসিদা ফেষ্টিভেলগী বেষ্ট প্লে ফংখ্রবা কংলৈ লিভিং আর্টকী ঐ মমানি দ্রামা মীয়ামদা খুদোল তমগনি। থৌরম অসিদা মীয়াম্না শরুক য়াবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## মিনুথোংদগী লম্লোং তাবা লম্বী শেমজিনবীয়ু

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১(ঐচএনএস): মিনুথোংদগী লম্লোং কৈথেল ফাওবদা লৈরিবা লম্বী অসি মতমগা চান্নদবা ওইরে। লৈঙাক্না অথুবদা শেমজিনবীয়ু হায়না কোওর্দিনেটিং বোদি খুরাইগী এসিষ্টেন্ট কোওর্দিনেটর মোইরাংথেম লোয়ানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, নেসনল হায়ৱে নম্বর ১০৫ গী মনুং ওইরিবা ইম্ফাল-উখ্রুল লম্বীগী শরুক্তা মিনুথোংদগী লম্লোং কৈথেল তারিবা লম্বী অসি য়াম্না পীকপনা মরম ওইরগা চৎথোক-চৎশিন্দা অপনবা ওইরে। অথুবা মতমদা লম্বী অসি পাকথোক-চাউথোকহন্দুনা মতমগা চুনবা নেসনল হায়ৱেগী ওইফম থোকপা পাক-চাউবা অদু ওইহল্লু। হায়রিবা লম্বী অসি ইম্ফাল কৈথেলনা মতমগা চান্নবা মওংদা শেমগৎ-শাগৎলবসু লম্বী অসিদি শেমগৎপগী মমি উদ্রি। মণিপুরগী কাচিন-কোয়া ফাওবা ইলেক্ট্রিক্কী মঙাল ফংহনবগী খোঙজং চঙশিনবগী চৈরক অসিদা হায়রিবা লম্বী মতেক অসি হৌজিক ফাওবা ইলেক্ট্রিক থানবগী মমি তাদনা থল্লি। ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন্না মফম খূদিংমক্তা নুমীদাংগী মতমদা ঙালহনখ্রবা মতম অসিদা হায়রিবা মফম অসিদি নুমীদাংগী মতমদা মমহন্দুনা থম্বীরে। লম্বী অসি পীকপগা লোয়ননা রোদ দিভাইদর য়াওদবা অমদি নুমীদাংগী মতমদা মম্বনা খুদোংথিবা মায়োক্লরি হায়রি।

## ব্লদ দোনেসন কেম্প পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১ (ঐচএনএস): লাইফ সেভর মণিপুর, সাইনা ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্স, লাইওন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল, ঐচ দি এফ সী বেঙ্ক ইম্ফাল অমদি ষ্টেট ব্লদ সেল এন ঐচ এম মণিপুর দিপার্টমেন্ট ওফ ট্রান্সফ্যুজন মেদিসিন রিমসকা খুৎশম্না শীন্দুনা ভলন্টরি ব্লদ দোনেসন কেম্প অমা সাইনা ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্স, পোরোম্পাৎ ক্রোসিংদা পাঙথোক্লগনি হায়না লাইফ সেভর মণিপুরগী মেনেজিং দিরেক্টরনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

নুমীৎ অসিদা লাইফ সেভর মণিপুর, লাইওন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল গ্রেটর অমদি ষ্টেট ব্লদ সেল এন ঐচ এম মণিপুর, জেনিমসকা খুৎশম্নরগা ভলন্টরি ব্লদ দোনেসন কেম্প অমদি কেম্পেয্যন অমা জেনিমস ব্লদ বেঙ্ক এন্দ ট্রান্সফ্যুজন য়ুনিট পোরোম্পাৎতা পাঙথোক্লগনি। ঈগী অৱাবা লৈরবশিংগীদমক ঈ পীবীয়ু। ভেলেন্টাইন্স দেনা লাকপগা মরী লৈননা থা অসিগী ১৪গী অয়ুক পুং ১০ দগী নুংথিল পুং ২ ফাওবা সাইনা ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সতা কেম্প অসি পাঙথোক্কনি হায়রি।

## ‘তরেৎশুবা য়ু জি সী পেগী দিমান্দদা সিজ ৱার্ক ষ্ট্রাইক তৌদুনা ক্লাস তৌদনা লৈরকপা লাইবক থীবনি’

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১ (ঐচএনএস): কোলেজগী ওজাশিংনা তরেৎশুবা য়ু জি সী পেগী দিমান্দনা মরম ওইরগা সিজ ৱার্ক ষ্ট্রাইক অমদি রেল্লি হঙ্গর ষ্ট্রাইকনচিংবনা তৌবনা ক্লাস তৌদনা লৈরকপা অসি য়াম্না লাইবক থীবনি হায়না কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (কে এস এ) গী পব্লিক গ্রিভান্স সেক্রেটরি তোইজম রনাকুমারনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

খোয়াথোংদা লৈবা কে এস এগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা তোইজম রনাকুমারনা হায়খি, ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটিগী মখাদা লৈরিবা এম এ, এম এ সী এগজাম থা অসিগী ১৪দগী হৌরগনি। ওজাশিংনা রেল্লি হঙ্গর ষ্ট্রাইক চত্থবা অসিনা মরম ওইরগা লাইরিক তম্লোইদবগী ফীভম লৈবা অসিনা মহৈরোয়শিংদা য়াম্না চাউনা অকায়বা পীরক্লি। মহৈরোয়শিংগী একাদেমীক এটমোস্ফিয়রদা চাউনা অকায়বা পীরক্লিবা অসিদা হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক্না করিসু থওইদনা লৈবা অসি মহৈরোয় খুন্নাইদা চাউনা শিংনবনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মহৈরোয়শিংগী তুংগী পুন্সিগীদমক য়েংলগা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা ওজাশিংগা ফম্মিন্নদুনা অথুবা মতমদা ৱারোইশিন অমা পুরকউ। ওজাশিংনা তাল্লিবা দিমান্দশিং অসিগী মতাংদসু লৈঙাক্না নীংথিনা য়েংশিনবীদুনা মহৈরোয়শিংগী মহৈ-মশিন তম্বা ফংহন্নবা হোৎনবীয়ু। তাঙ্কক কয়াদা লৈঙাক্না ওজাশিংগা ৱারী শানদুনা লাকখ্রে। ঙাইহাক-ঙাইহাক্কী ওইবা ফিরেপ লৌদুনা লাকপা অসিনা ঙসিগী ফীভম অসি ওইরকপনি। লৈঙাক্না ওজাশিংগী দিমান্দ অসি য়াম্না থুনা লোইশিন্দ্রবদি মণিপুরদা লৈরিবা মহৈরোয় খুন্নাইনা খোঙজং কয়া চঙশিন্নবা শেম-শাবা লোইরে।

কোলেজ ওজাশিংনা তরেৎশুবা য়ু জি সী পেগী দিমান্দ তৌরদুনা খোঙজংশিং চঙশিল্লকখিবনি। সিজ ৱার্ক ষ্ট্রাইক্কী খোঙজংসু চত্থদুনা ক্লাস তৌদনা লাকখ্রবনি। ওজাশিংনা তান্দুনা লাক্লিবা দিমান্দগী মতাংদা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা মীৎয়েং চঙবীফম থোকই। মহৈরোয়শিং মহৈ তম্বা ফংদনা লৈরিবা অসি থুনা ফংহন্নবা লৈঙাক্না চপ চাবা থৌরাংশিং লৌখৎপগা লোয়ননা ৱারোইশিন পুরক্কদবনি। মহৈরোয়শিংনা মহৈ তম্বা ফংদবা হায়বসি য়াম্না মাঙজবা অমনি। ওজাশিংগী ষ্ট্রাইকনা মরম ওইরগা মহৈরোয়শিংগী একাদেমীক এটমোস্ফিয়রদা চাউনা অকায়বা লৈরিবনি। ফীভম অসি লৈঙাক্নসু খঙফম থোকই। অথুবদা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## পাঙল ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসনগী এগজিক্যুটিভ কাউন্সীল ২০২০-২১গী থৌ পুগদবশিং ৱাশক লৌবগা লোয়ননা চার্জ শীন্নখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১ (ঐচএনএস): পাঙল ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন (পি এস ও)গী ৬শুবা এগজিক্যুটিভ কাউন্সীল ২০২০-২১গী ৱাশক লৌবা অমদি চার্জ শীন্নবগী থৌরম ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবকী হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা রবিতা মদারিস মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি মুফ্টি সলাতুর রহমননা ওথ কম্মিস্নার ওইখি। পি এস ওগী প্রসিদেন্ট অজিজুর পুখ্রিময়ুম, এম এস এফকী এদভাইজর কে ঐচ সেরাজুদ্দিন, এম এস এফকী এদভাইজর এন জি মিলননা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখি।

থৌরম অদুদা পি এস ওগী এগজিক্যুটিভ কাউন্সীল ২০২০-২১গী ওইনা থৌ পুগদবশিং ৱাশক লৌখি। থৌ পুগদবশিংগী মনুংদা প্রসিদেন্টতা এম দি জীশন, ভাইস প্রসিদেন্টতা সরুখ খান, অশিফ খান, জেনরেল সেক্রেটরিদা ৱারিশ খান, জোইন্ট সেক্রেটরিদা ফরিদ খান, হাসন শাহ, ফাইনান্স সেক্রেটরিদা অখতার হুসেন, এসিষ্টেন্ট ফাইনান্স সেক্রেটরিদা এরিস খান, পব্লিসিটি সেক্রেটরিদা ইমরান খান, এসিষ্টেন্ট পব্লিসিটি সেক্রেটরিদা সরিফ খান, ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরিদা সমিরুদ্দিন, এসিষ্টেন্ট ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরিদা হাসন, এক্সটর্নেল এফেয়র্স সেক্রেটরিদা ফিরোজ খান, এসিষ্টেন্ট এক্সটর্নেল এফেয়র্স সেক্রেটরিদা রিয়াজউদ্দিন, ৱিমেন এফেয়র্স সেক্রেটরিদা মার্জিনা, এগজিক্যুটিভ মেম্বরদা জাৱীদ খান, এম দি অরিব, ফরুক, তাসলিম খান, এম দি ইলিয়াজ, এম দি রহমন, অজমির খান, জিয়াও রহমন অমদি এম দি সাজিদনি।

পি এস ওগী ২০২০-২১গী থৌ পুরগদবা এম দি জিশননা ফোঙদোকখিবদা, হন্দক্কী এক্সন প্লান ওইনা অহানবদা অফবা মহৈরোয় পুথোকসি, অফবা খুন্নাই ওইহনসি হায়বা একাদেমীক কেম্পেয্যন অমা চত্থগনি। কেম্পেয্যন অসি মতম খরগী মমাঙদগী পি এস ও মণিপুরগা ৱাখল্লোন মান্নবা লূপশিং অমদি সী এস ওশিংগা খুৎশম্নদুনা চত্থরক্লি। মখা তানা হায়রিবা কেম্পেয্যন অসি হেন্না মপুং ফানা চত্থখিগনি। কেম্পেয্যন অসিগী মখাদা লমদম অসিদা লৈরিবা ৱাকফ বোর্দ, স্কুল, কোলেজ অমদি য়ুনিভর্সিটিগী থাক ফাওবদা লৈরিবা মহৈরোয়শিংগা খুৎশম্নদুনা অফবা খুন্নাই অমা ওইহন্নবা হোৎনগনি। মদ্রাসা মোর্দনাইজেসনগী লমদসু অখন্নবা মীৎয়েং থমগনি। তীঞ্জং-কায়জংদবা খুন্নাই অমা ওইনবা হোৎনবদা হেল্থ সেক্তরদা অখন্নবা মীৎয়েং থমগনি। লমদম অসিদা নোংম-নোংমগী শোকচিল্লক্লিবা মোরেল অমদি কলচরবুসু ঙসিগী মহৈরোয়শিংদা নীংথিনা তাকপী-তম্বীদুনা ইপা-ইপুশিংগী মতমদগী লৈরম্বা কয়া অদু থিদোক্নুনা খঙহন্নবা হোৎনগনি। লাইরিক তম্বা ফংদ্রিবা মহৈরোয়শিং থিদোক্নুনা অফবা মহৈরোয় পুথোকসি। অফবা খুন্নাই ওইহনসি হায়বা কেম্পেয্যনগী মনুং চন্না এদ্যুকেসনগী মঙাল ফংহন্নবা হোৎনগনি। লমদম অসিদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্না মাঙহল্লিবা কয়া অসিগী মতাংদা পি এস ওনা মহৈরোয়শিংদা অফ-ফত্তা খঙহনগনি। ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী মায়োক্তা পি এস ওনা লেপকনি। ময়াই কাবা চীঞ্জাক মরু ফংনা মাঙহন্নবা হোৎনবদা পি এস ওনা মাঙজিল থাগনি। মণিপুরদা লৈরিবা কাঙলুপশিং অমত্তনি হায়বগী ৱাখল্লোন্দা অপূনবগী পাঙ্গল শাগৎপদা পি এস ওনা থৌদাং য়াগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## মৈ ফংলোই

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১ (ঐচএনএস): কালপতরু পাৱর ট্রান্সমিসন লিমিটেদনা ইলেক্ট্রিক ৱায়র শেম্বগী থবক চত্থগদবা মরম্না টিদ্দিম ফীদর-১ য়ুরেম্বম সব-ষ্টেসনদগী সপ্লায় পীরিবা কঞ্জ্যুমরশিং থা অসিগী ১২, ১৩, ১৪, ১৭, ১৮, ১৯, ২৪, ২৫, ২৬তা অয়ুক পুং ৮দগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা মৈ ফংলোই হায়না আই ঈ দি-টু-মণিপুর ষ্টেট পাৱর দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পেনি লিমিটেদ য়ুরেম্বমগী মেনেজর টি এস দি মাইবম শিলাকান্তানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। থরোইজম য়াওরাং টু সঙাইথেল, সাইরেখুল টু বোলজাংনচিংবা ফাওবগী মনুংদা লৈরিবা কঞ্জ্যুমরশিংনসু হায়রিবা নুমীৎশিং অসিগী মতম অসিদা মৈ ফংলোই। খুদোংচাদবা অসিগীদমক নুংঙাইতবা ফোঙদোক্লি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## এক্সিদেন্ট ভিক্টিমদা মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১ (ঐচএনএস): হেদ ক্বার্টর আই জি এ আর (সাউথ)কী মীৎয়েং মখাদা চুড়াচান্দপুর সেক্তর অসাম রাইফলসকী আইনা বট্টালিয়ন্না থা অসিগী ৬তা শান্তিং ভিলেজদা বোলেরোদা লাকপা মীওই ৯ লোম এক্সিদেন্ট থোকপদগী শোকপদা রেস্ক্যু তৌদুনা মেদিকেলগী মতেং পাংখ্রে হায়না আই জি এ আর (সাউথ)কী পি আর ওনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, পার্বুংদগী চুড়াচান্দপুর তম্না থৌরকপা গাড়ী অদু এক্সিদেন্ট থোকপদগী গাড়ী অদুদা তোংলকপা মীওইশিং অশোক-অপন নংখি। অসাম রাইফলস মেদিকেল ওফিসরনা চঙশিন্দুনা ফার্ষ্ট এইদ পীখি। মীওই ৩দি খরা থিনা শোকখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## রোয়েল স্কুল ওফ নর্সিং ৱাংবলগী লেম্প লাইটিং এন্দ ওথ টেকিংগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১ (ঐচএনএস): রোয়েল স্কুল ওফ নর্সিং ৱাংবলগী এ এন এম নর্সিং ষ্টুদেন্টস অহানবা বেটচকী লেম্প লাইটিং অমদি ওথ টেকিংগী থৌরম আর এস এন ওদিটোরিয়মদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট, থৌবাল ডা. সী ঐচ মেমচানা চীফ গেষ্ট অমদি দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল থৌবালগী নর্সিং সুপরিন্টেন্দেন্ট এ কুঞ্জেশ্বরীনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। রোয়েল স্কুল ওফ নর্সিংগী প্রিন্সিপাল কে সোনিয়া, স্কুল অসিগী চেয়রমেন ডা. এম রাজেন্দ্র অমদি সেক্রেটরি ডা. এন কুঞ্জোসু দেজদা ফমখি।

থৌরম অদুগী হৌরকপদা মহৈরোয়শিংগী কেপ্পিং অমদি লেম্প লাইটিং পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা ডোক্তরশিং অমদি নর্সিং প্রোফেসনদা মশক নাইবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি। নর্সিংগী প্রোফেসনদা নৌনা চঙলক্লিবা মহৈরোয়শিংদা পূক্নিং থৌগৎপা ৱাফম কয়া থমখি। স্কুল অসিবু মায় পাকপা পুরক্লবসু তাইবং শেম্বা মপুগী মফমদা থৌনিখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংখিবা কয়ানা ফোঙদোক্লখিবদা, নর্সিংগী প্রোফেসন অসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। অনা-লায়েংগী থবক তৌবদা নর্সিং হায়বসি অসুক্কী মতিক মরুওই। অনাবশিংগা লৈমিন্নদুনা নীংথিনা য়েংশিনবীগদৌরিবনি। শোল্লবা অনাবশিংবু মপূক্নিং পেন্নবা শেন্নবীবা অমদি মতম চানা হিদাক-লাংথক থক্লবা অমসুং হিদাক কাপ্পবা থৌদাং কয়া অসি নর্সশিংনা লৌগদৌরিবনি। অশোন-অনা অমদি লায়েংবা লাক্লিবা অনাবশিংগীদমক নর্সশিংনা লৌবা থৌদাং অসি অসুক্কী মতিক মরুওইবনা হৌজিক্কী মতমদা নর্সিংগী শিনফম অসি ঈকায় খুম্নরক্লিবনি। অফবা নর্স অমা ওইনবা হোৎনবদা মথৌদা কত্থোকপগা লোয়ননা হোৎনবা চঙই। লমদমসিদা লৈরিবা নর্সশিংদা থোইদোক হেন্দোকপা হৈ-শিংবা কয়া য়াওরিবনি। মখোয়গী হৈ-শিংবা কয়া অদু পুথোক্নুনা অনাবশিংগী পেন্নবা থবক তৌগদৌরিবনি। ডোক্তর অমসুং নর্সশিং পুল্লগা অনাবশিংবু লায়েংগদৌরিবনি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোক্লখি। থৌরম অদুদা রোয়েল স্কুল ওফ নর্সিংগী ওজাশিং অমদি মহৈরোয় কয়াসু শরুক য়াখি হায়রি।

## জেদ ৱাই এফ অমদি জেলিয়াংরোং বাওদিগী টিমনা সী এম উনখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১ (ঐচএনএস): জেলিয়াংরোং য়ুথ ফ্রন্ট (অসাম, মণিপুর অমদি নাগালেন্দ) অমদি জেলিয়াংরোং বাওদিগী জোইন্ট টিম অমনা থা অসিগী ১০ দা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন উনদুনা জেলিয়াংরোং এরিয়াদা লৈবা তোঙান তোঙানবা ইস্যু কয়াগী মতাংদা খন্ন-নৈনখ্রে হায়না জেদ ৱাই এফকী জেনরেল সেক্রেটরি গাইগাংলুং গোলমৈনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, তাম্ফুং ভিলেজদা এস দি ও, বি দি ও ওফিস অমদি অতৈ শেমগৎ-শাগৎপগী থবক কয়া পায়খৎনবা ৱাফম থমখি। জিরিবাম অমদি ইম্ফালগী মরক্তা মফম চাবা য়েংলগা অমসুং ট্রকশিংগী খুদোংচাবা য়েংলগা পার্কিংগী মফম নীংথিনা শেমগৎনবা ৱাফমসু থমখি। এন ঐচ ৩৭ দা হৌখিবা চহী কয়াগী মমাঙদগী হৌনা পার্কিংগী মতাংদা ৱাফম কয়া থমদুনা লাকখিবনি। তমেংলোং অমদি নোনে দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা গেষ্ট হাউস অমা শানবগী মতাংদসু তকশিল্লমখি। দিষ্ট্রিক্ট অনী অসিদগী তোঙান তোঙানবা মরমশিংগীদমক ষ্টেট কেপিটেলদা লাক্লিবশিংনা খুদোংচানবগীদমক অসিগুম্বা থৌরাং পায়খৎপীনবা খঙহল্লমখি। মেদিকেলগী লমদা অমদি অনা-লায়েংগী ওইবা হীরম কয়াদা ইম্ফালদা লাকপা য়াওই। মসিদা লৈফমগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লে। হীরম অসিগী মতাংদা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়নসু তকশিল্লমখি হায়রি।

## বিল্ডিং এন্দ কন্সত্রক্সন ৱার্কর ৱেলফেয়র বোর্দতা হায়খিবশিং থবক্তা ওন্থোক্তবনা য়ুনিয়নশিংনা খোঙজং চঙশিন্নবা লেপ্নখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১ (ঐচএনএস): মণিপুর বিল্ডিং এন্দ কন্সত্রক্সন ৱার্কর ৱেলফেয়র বোর্দতা হায়খিবা ৱাফমশিং থবক্তা ওন্থোকপীদবা মরম্না য়ুনিয়নশিংনা খোঙজং চঙশিন্নবা লেপ্নরে হায়না ওল অন্দ্রো কেন্দ্র ৱার্কর য়ুনিয়ন, উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট লেভর য়ুনিয়ন, কাংপোকপী ৱার্কর য়ুনিয়ন, থোংজু কেন্দ্র কংলৈ বিল্ডিং এন্দ অদর কন্সত্রক্সন ৱার্কর য়ুনিয়নগী থৌ পুবশিংনা খুৎয়েক পীদুনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, চহী অসিগী জন্যুৱারী ৮দা য়ুনিয়নশিংগী মায়কৈদগী মণিপুর বিল্ডিং এন্দ কন্সত্রক্সন ৱার্কর ৱেলফেয়র বোর্দতা হায়খিবা ৱাফমশিং ঙসি ফাওবদা থবক্তা ওন্থোক্তবা অমদি থৌশাদবা কয়া অসিনা অমুক হন্না ৱারেপ্পবনি। থা অসিগী ১০ দা মীফম ফমদুনা খন্নরবা মতুংদা ৱারেপ কয়া লৌখি।

ৱারেপশিং অদুদি, অহানবদা উখ্রুলগী কুমজা ২০১৫গী ওইনা চিংখহৌবশিং পীবীদবনা মরম ওইরগা য়ুনিয়ন্না থা অসিগী ১৩ গী অয়ুক পুং ৫ দগী হৌরগা মথংগী নুমীৎ থা অসিগী ১৪গী অয়ুক পুং ৪ ফাওবা শিন্থা লেপ্পীয়ু। লাইনিং-লাইশোন, অনা-অয়েক, মৈ-ঈশিংগীদি কোমথোক্কনি। মসিদা থৌশাদ্রবদি মশা-মশানা থৌদাং পুজগদবনি। অনীশুবা ৱারেপতা কুমজা ২০২০ য়ৌরবা ফাওবদা কুমজা ২০১৫গী ৱাংহৌরিবা অমদি কুমজা ২০১৬কী পীফম থোকপা বিনিফিটশিং পীবীদ্রে। এদ্যুকেসন, মেদিকেলনচিংবশিংগী ওইনা মণিপুর লৈঙাক্না পীফম থোকপা বিনিফিটশিং মতম চানা পীদবদগী খোঙজংশিং অসি চঙশিল্লক্কদবনি।

অহুমশুবদা মণিপুরদা লৈরিবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন অমদি মহৈরোয় ওর্গনাইজেসনশিং লোয়ননা মণিপুরদা লৈরিবা মৈরা পায়বীশিংনা ঈহৌ অসিবু শৌগৎপীয়ু। মণিপুর বিল্ডিং এন্দ কন্সত্রক্সন ৱার্কর ৱেলফেয়র বোর্দতা হায়জখিবা ৱাফমশিং থবক্তা ওন্থোরক্তবনা শিন্মীশিংগী ওইবা য়ুনিয়নশিংনা পুন্না খন্নদুনা ৱারেপশিং অসি লৌরকখিবনি। মখা তানা মীৎয়েং চঙবীদ্রবদি খোঙজং কয়া চঙশিনগনি হায়নসু য়ুনিয়নশিং অসিগী থৌ পুবশিংনা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## শিব সেনা মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী মায়কৈদগী য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১ (ঐচএনএস): তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী খুদেংথাবীদা লৈবা এ আরগী চেক পোষ্টতা আই পি এস নুপী ওফিসর অমবু অসাম রাইফলসকী জৱান অমনা চেক তৌবগী থৌওংগী মতাংদা শিব সেনা মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট এম তোম্বী অমদি জেনরেল সেক্রেটরি এদমিনিষ্ট্রেসন সী ঐচ সুরজিৎনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরগী ওফিসতা চৎতুনা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে হায়রি।

শিব সেনা মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এম তোম্বী অমদি জেনরেল সেক্রেটরি সী ঐচ সুরজিৎনা খুৎয়েক পীদুনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরদা পীশিনখিবা মেমোরেন্দম অদুদা পল্লিবা মপুং ওইবা ৱাফমশিংদি, আর্মর্দ ফোর্সেস স্পেসল পৱার এক্ট মণিপুরদা থম্বগা লোয়ননা থৌদোক কয়া থোকপা লৈখ্রে। চহীসিগী জন্যুৱারী ১৯ দা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা খুদেংথাবী পোষ্টতা অসাম রাইফলসকী জৱান অমনা আই পি এস ওফিসর নুপী অমা চেক তৌবগী ৱাফম লৈরি। হীরমসিগী মতাংদা জৱান অদুগী মায়োক্তা ওফিসর নুপী অদুনা এফ আই আর অমসু ফাইল তৌখ্রে। প্রাইম মিনিষ্টরনা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিং চাউখৎতনা ইন্দিয়া মাঙলোমদা চৎপা য়ারোই হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

খুদেংথাবী এ আর চেক পোষ্টতা চত্থখিবা থৌওং অদুদা চেন্নরিবা জৱান অদুগী মথক্তা দিসিপ্লিনরি এক্সন লৌখৎপীয়ু। হীরম অসিগী মতাংদা মীৎয়েং চঙদুনা অথুবদা চপ চাবা এক্সন লৌখৎপীয়ু হায়নসু মেমোরেন্দম অদুদা মখা তানা পল্লি।

শিব সেনা মণিপুরগী প্রসিদেন্টনা লুচিংবা মীহুৎ কাঙবু অমনা দিল্লিদা চৎতুনা মেমোরেন্দম অদু পীশিনখিবনি হায়রি।

## হৈরোক এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিদা ইলেক্টোরেল রোল রিভিজন চত্থরিবসি পেন্দ্রে : কম্মিটি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১ (ঐচএনএস): হৈরোক এ সীদা ইলেক্টোরেল রোল রিভিজনগী চত্থরিবা থবক মওং অসি পেন্দ্রে হায়না হৈরোক ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ রঞ্জননা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা রঞ্জননা হায়খি, হৈরোক এ সীগী সমরি রিভিজন অসি পেন্দে। ব্লোক অসিগী ওইনা ব্লোক লেভেল ওফিসর খল্লিবসি মীয়ামগী মোততা খনবা নত্তে। পার্টিগী ওইনা খনখিবা অমদি মসিদা হায়র সেকেন্দরিগী ওজাশিংসু য়াওরি। তোঙান তোঙানবা মফমদা পোষ্টিং তাখিবশিংগী লিষ্ট য়াওরি। বি এল ও হায়বসিদি লমদমদুগী মীশকশিং মমুৎ তানা খঙবা মী ওইগদবনি। মশক শুকখঙ খঙনদবা মীশিংনা ওইহল্লগা মাগী মাগী পার্টিগী প্রেসরদা থবক তৌবা য়াগদবা মী খল্লগা বি এল ও খনখিব্রা হায়বা ৱাফম লাক্লি। হীরমসিগী মতাংদা চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসরদসু এপ্লিকেসন থাখ্রে। কুমজা ২০১৯গী মেদা থাখিবনি। দিসেম্বরদসু রিমাইন্দর অমা থাখি। ঙসি ফাওবা রেস্পোন্স ফংদে। ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া হায়বসি ওটোনোমস বোদিনি। কম্মিসনদা গাইদলাইন কয়া লৈরি। চহী ১৮ শুরবদি ভোটিং রাইট লৈগদবনি হায়রি। অদুবু পার্টিগী লেভেলদা য়েংলগা থবক তৌরকপনা মীপায়বা পোকহল্লে। কমপ্লেন্ট কয়াসু তৌরবনি। ইলেক্সন কম্মিসন লৈঙাক্না য়েংশিন্দুনা কাঙলোন চুম্না তৌবীয়ু। করিগুম্বা তৌরক্তবা তারবদি লো কোর্টতা চৎকনি। হৈরোক এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিদা হৌজিক চত্থরিবা ইলেক্টোরেল রোল রিভিজনগী মওং অসিদা পেন্দবা কয়া লৈরে। মসিনা মরম ওইরগা চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসরদা ৱাকৎ থাঙ্গৎখিবনি। ৱাকৎ অসি তাবীদবদগী রিমাইন্দরসু পীশিন্দুনা লাকখিবনি। হীরম অসিগী মতাংদা ইলেক্সন কম্মিসন অমদি লৈঙাক্নসু মীৎয়েং চঙহন্নিংই। কাঙলোন চুম্না ইলেক্টোরেল রোল রিভিজনগী থবক পায়খৎনবা হোৎনবীয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

AA Education EMPOWERING YOUTHS

AHELBA ACADEMY
OF COMPETITIVE EXAMINATIONS
KEISHAMPAT JUNCTION OPP-CCPUR PARKING 8794341383/9383071303

GENERAL FOUNDATION COURSE (GFC)
FOR BANKING, SSC & OTHER COMPETITIVE EXAMS
Class starting on 20th February, 2020

Class Commencing for
SBI CLERK- 2020 & SSC CGL/10+2

Class Timing :- MORNING - 6:30-11:00am NOON – 12:00 – 2:30pm

MATHS FOUNDATION
COURSE: 3 Months
20th February 2020 : 9:00 – 11:00am

ENGLISH & REASONING
FOUNDATION
COURSE: 3 Months
20th February 2020 : 6:30 – 8:300am

HL-B/6036/10feb to 9 march